# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-09-2024)**

**বিরেন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা সভাপতি ওইদুনা সরকার পায়বদা য়াওরিবা এম.এল.এশিংগী ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফমনা মুখ্য মন্ত্রিদা য়ুনিফাইদ কম্মান্দ শিন্নবা ৱারেপ লৌদুনা রাজ্যপালগী খুথাংদা তকশিনখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-সরকার পায়বা য়াওরিবা এম.এল.এশিংগী মীফম অদুদা, হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা কৌত্রুক, ত্রোংলাউবী অমদি মোইরাংনচিংবা মফমশিংদা শক্তি লৈবা খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা লান্দারক্তুনা মীশি মীনা থোকহল্লকপগী থৌওংবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখি। মুখ্য মন্ত্রিদা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী শক্তি লৈতবদগী হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া মীফম অদুদা কুপা খন্ন-নৈনখি। মুখ্য মন্ত্রিদা অমুক হন্না য়়নিফাইদ কম্মান্দগী শক্তি শিন্নরবদি ইরাং অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইগনি হায়না মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোংদোকখি।

তুংদা, মীফম অদুনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দ মুখ্য মন্ত্রিদা শিন্নবা নৎত্রগা থোক্লিবা ৱাথোক অসি থেংনবা অমসুং লোয়শিন্নবগী দায়ত্ব কেন্দ্র সরকারগী ওইবীরো হায়না তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখি।

মীফম অদু লোইরবা তুংদা ৱারেপশিং অদু প্রধান মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিদা থাদুনা তকশিনবীনবগীদমক ইম্ফালগী রাজ ভবনদা মুখ্য মন্ত্রি মশা য়াওনা লাক্তুনা রাজ্যপাল-লক্ষমন প্রসাদ অচ্যারিয়াদা তকশিনখি। রাজ্যপালনা মহাক্কী মায়কৈদগীসু ৱাথোক অসি লোয়শিন্নবা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়না থাজবা পীরকখি হায়রি। ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা মুখ্য মন্ত্রি, মন্ত্রিশিং অমদি সরকার পায়বদা য়াওরিবা এম.এল.এশিংগা রাজ্যপালগা উন্নদুনা মখা তানা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি হায়রি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামগী রাসিতপুর পার্ট টুদা লৈবা টি-ইষ্টেটতা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপখিবা অদুগী তুংদা মফম অদুদা সেক্যুরিতিগী অহেনবা কাংবুশিং চংশিনদুনা পামদবা থৌদোকশিং মখা তানা থোরকপা থিংনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-নোংমৈ কাপফম অদুদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিং, জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী পার্সোনেলশিং অমসুং ৩৯ শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবুনা চংশিনদুনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা দিবোং খুনৌদগী খুল ঙাকপা মীওই অমা অমসুং অতোপ্পা অশিবা হকচাং মরি ফংখি। থৌদোক থোকফমদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা এম.এ-ৱান রাইফল অমা, মেগজিন অনি, এস.এম.আর, এ.কে. অমসুং ইনসার্স রাইফলনচিংবগী কাপথোকখ্রবা অহাংবা টোকনিংশিং, কেমোফ্লেগ টি-সার্ট অমা য়াওনা পোৎলম কয়ামরুম ফংখি। অশিবা হকচাংশিং অদু জিরিবামগী ফিফতি বেদেদ হোস্পিতালগী মোর্গতা থল্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিল্লি হায়রি।

জিরিবামদা ঙরাং ময়ুমদা তুমদুনা লৈবা অহল অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বা অমদি খুল ঙাকপা মীওই অমা নোংমৈ কাপশিনদুনা হাৎখিবগী থৌওংবু জিরি অপুনবা লুপনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

কা হেনবা থৌওং চথ্থরকখিবা কাংবুশিং অসিগী মথক্তা সরকারনা মতিক চাবা থবক লৌখৎপীনবসু লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

**সেক্সন (এল)ঃ** মনিপুরগী ঙমখৈ জিলা, জিরিবামদা নৌনা ওইরক্লিবা শান্তি রক্ষাগী ফিভম অসিগী য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ভারত্তিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিত্যাগী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা জিলা অদুগী মফম খুদিংমক্তা অথিংবা থমলে। অথিংবা অসিগী মখাদা মী মঙা নৎত্রগা মী মঙাদগী হেন্না পুনবা, শোকপা পনবা য়াবা খুৎশু-খুৎলায় পুদুনা চৎপা য়ারোই। অথিংবা অসি ঙসিদগী

হৌরগা মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা চৎনগনি হায়রি।

**লম্বী (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭ কম্পেনসেসন লেফআউট প্রোপরটিজ লেন্দ এন্দ ষ্ট্রকচরস ওন্নরস এসোসিয়েসননা চথুরম্বা ইকোনোমিক ব্লোকেডকী খোঙজং অদু সরকারগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা হন্দোকখ্রে।

নোনে দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী নুঙবাগী এস.দি.ও. অমসুং নুঙবা পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগা খোঙজং চংশিল্লিবা লুপ অসিগী কনভেন্নর অমসুং সেক্রেটেরি য়াওবা মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নদুনা য়ান্নবা পুরকপদগী খোঙজং অসি হন্দোকখিবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা হায়রি-রাজ্য অসিগী ইরাং থোক্কনবা মফমশিংদা অসাম রাইফলসনা এর্ন্টি দ্রোন সিষ্টেম থম্বা হৌরে। মসিগী মথক্তা সি.আর.পি.এফনসু এর্ন্টি দ্রোন সিষ্টেম চাংয়েং তৌবা হৌখ্রে। এর্ন্টি দ্রোন নোংমৈ খরসু অথুবা মতমদা পুরক্লগনি হায়রি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মনিপুর পুলিসনসু এর্ন্টি দ্রোন সিষ্টেম লৈননবা থবক পায়খৎপা হৌরে। মসিনা দ্রোন শিজিন্নদুনা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্লিবা অসিদগী ঙাকথোকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক মিনিট ৩৫ দগী তরেৎ মিনিট ৫ ফাওবগী মনুংদা মশক খঙদবা পোৎশক অমা পাইরে হায়না মীয়ামনা ঙাংনরকপদগী পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং খুদক্তা চংশিনদুনা য়েংশিনখি। মদুদা ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতগী ঙরাংগী ওইনা ইরোই লোইবা ফ্লাইট অদু পুং তরুক মিনিট ৩০ দগী পুং তরুক ি মনিট ৩৫ ফাওবগী মনুংদা ইয়ারপোর্ট অসিদগী পাইখৎখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। ইয়ারপোর্ট অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী দ্রোন পাইশিল্লকপগী খুদম

চাংদম অমত্তা ফংবা ঙমখিদে হায়নসু চেরোল অসিনা ফোংদোক্লি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা লেপ্তুনা থিবা হুন্বগী থবক চথদুনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা লেপত্রি। কাংপোকপী জিলাগী লোইচিং রিটচতগী স্নাইপ্পর রাইফল অমা, পোইন্ট টোইন্তি টুগী রাইফল অমা, এস.বি.বি.এল. গন অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, পোম্পী অমা, মোটার অহুম, গ্রেনেদ মরি অমসুং শান্না কাপ্পা য়াবা রোকেট বোম অনি ফাগৎখি। জিলা অসিগী তিনকাই খুল্লেন অমসুং লোইবোল খুল্লেনদগীনা এসোল্ট রাইফল অমা, পোইন্ট টোইন্তি টু রাইফল অমা, হেন্দ গেনেদ অনি অমসুং নোংমৈ মরু খরা ফাগৎলে।

চুরাচান্দপুর জিলাগী ওল্ড গোলমোল্ড অমসুং থাংজিং রিটচতগী ইনছার্স রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অহুম, কন্ত্রিমেট মোটোর মঙা, পম্পী অমা অমসুং পোকখায়হন্নবা মচাক মথুম কয়ামরুম ফাগৎলে হায়রি।

**জম্মুঃ** বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-বিরোধি দলশিংনা জম্মু কাশ্মিরদা হান্নগী অরিবা সিষ্টেম অমুক হন্না পুরকবা হোৎনরি।

জম্মুদা ঙরাং দলগী করিয়াকরতাশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়-মপুং ফানা শান্তি হনজিনদ্রিবা ফাওবা পাকিস্তানগা ৱারী শান্নরোই। মহাকা হায়-এন.দি.এ. সরকারনা টেরোরিজমগী থৌওংশিং নৌনা হিংগৎহনবা অমসুং ওটোনোমি পীবগী ৱাফম য়ারোই। মসিগী মথক্তা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা থোং মান্নদবগী থৌওংশিং লৈহনবা য়ারোই। মোদি সরকারনা লমদম অদুদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুংদা ভারত সংবিধান অমসুং জাতিগী ফিরালগী মখাদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা জম্মু কাশ্মির বিধান সভা মীখল অসি ঐতিহাসিক ওইবা মীখল অমা ওইহৌরগনি হায়নসু শ্রী সাহনা ফোংদোকখি।

**পিএমঃ** পধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা পেরিস পেরালিম্পিকস্তা তকমানশিং

লৌরক্লবা প্রভিন কুমার অমসুং হোকাতো হোটোজে সেমাগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নদুনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

চহি ৪০ শুরবা হোকাতোনা পেরালিম্পিক্স অসিদা অহানবা ওইনা তকমান লৌরকপদা প্রধান মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি। লোংজমদা সনাগী তকমান লৌরকখিবা প্রভিন কুমারনা ইন্টরনেট শিজিন্নদুনা মহাক্কী ত্রেন্নিংশিং পাঙথোক্তুনা চাউনা মায় পাকপা ঙম্লকখিবগী ৱারীশিং প্রধান মন্ত্রিদা পাউদমখি।

মরক অসিদা, নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি-নৈফিয়ু রিওনা হোকাতোনা সোর্টপুটতা শেঙ্গেংগী তকমান লৌরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। শান্নরোই অসিবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা লুপা কোতি অমা মখায় পীরগনি হায়নসু নাগালেন্দ সরকারনা লাউথোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রুল্লিং এম.এল.এশিং ৱা খন্নখ্রে, সি.এমনা গভনর উন্নখ্রে, ঙসিনা এম.এল.এশিংগা পুন্না উন্নগদৌরি, এন্তি দ্রোন য়াওনা মতমগা চুন্নবা খুৎলায় শিজিন্নবা হৌরে হায়বা পুলিসকী ৱাফম অমসুং জিরিবামদা নৌনা থোকপা ইরাংদা মীওই তরুক শিরে হায়রিবা পাউশিং অসিনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

রুল্লিং এম.এল.এশিংগী মীফমনা চীফ মিনিস্তরদা য়ুনিফাইদ কম্মান্দ শিন্ননবা ৱারেপ লৌরগা গভরনরগী খুথাংদা তকশিনখ্রে হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা মওংদা গভনর অমদি চীফ সেক্রেটরি-ডা:বিনিত যোসি হল্লকখ্রে। গভরনা চীফ মিনিস্তরগা উন্নখ্রে। ঙসি অয়ুক পুং ১১ দসু অমুক হন্না উন্নগদৌরি হায়না হুইয়েন লানপাউদা হেদলাইন তৌরি।

এন্তি দ্রোন সিষ্টেম থম্বা হৌরে, মীয়ামনা পুলিসতা কোরপোরেসন পীবিয়ু,

সোসিএল মিদিয়াগী ৱাফম থাজবীগনু হায়বা ইন্সপেক্তর জেনরেল-কবিবনা ফোংদোরকখিবা ৱাফমনা ঈচেল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মান্নবা মওংদা কা হেনবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী থৌওং থেংননবা থবক লৌখৎলি হায়বা মনিপুর পুলিসকী ৱারোল নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

কোকোমিনা টেরোরিষ্টশিংগা মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখিবগী পাউ মনিপুর মেলদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা কোকোমিনা দি.জি.পি. অমসুং সেক্যুরিতি এদভাইজর রিজাইন তৌ হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

জিরিবামদা তুমদুনা লৈবা অহল কুকি টেরোরিষ্টশিংনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে। খুল ঙাকপশিংগা কাপবদা টেরোরিষ্ট মরি শিরে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী মরুওবা হেদলাইন ওইরি। পাউ চে অসিগী এঙ্কর কলমদা এম.পি. বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সেন্টরনা মনিপুর ইন্দিয়াগী শরুকনি খল্লগা ইরাং লোয়শিন্নবা হোৎনগদবনি হায়না ফোংলি। পাউচে অসিগী ইংলিস এদিসনদনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থেংনবা মথৌ তায় হায়না ফোক্সনা ফোংদোরকখিবা ৱাফম হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

জিরিবামদা নৌনা ইরাং থোরকপদা মীওই তরুক শিখিবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা মওংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা তুমদুনা লৈজবা অহল অমা কাপ্তুনা হাৎলম্লে, জিরিবামদা খুৎ থোকবদা কুকি মিলিটেন্ট মরি, খুল ঙাকপা অমা শিরে হায়বা পাউনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী চেয়ারমেনগী ফম হনজিলহন্নবা এম.এল.এশিংনা তকশিনদৌরি, চীফ মিনিস্তর নোংথোম্বম বিরেননা গভনর উন্নদুনা লো এন্দ ওর্দরগী ৱা খন্নখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

বঙ্গলাদেসতগী ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিং চংশিল্লকপা থিংনবা মতিক চাবা

খোঙথাং লৌখৎলু হায়বা নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসননা ফোংদোরকখিবা ব্রাফম মনিপুর ন্যুজগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।